# মোদিনা অসামদা মীখলগী কেম্পেন হৌদোকখ্রে

## কার্বি অমসুং বোরো ফুরুপ্তা ট্রাইবেলগী ষ্টেটস পীরগনি



কোক্রাঝার, জন্যুৱারী ১৯ ঃ

চহী ১৫ শুরবা অসামগী কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট অমদি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোল্লকদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোক্রাঝারদা ঙসি মীখলগী কেম্পেন হৌদোকখ্রে।

লাক্লিবা অসামগী এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা বি জে পি অমদি বোরোলেন্দ পিপলস ফ্রন্টনা খুৎশম্নরগা শীনখিবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী শোথুনা লৈরিবা ফুরুপ অনীদা ট্রাইবেলগী ষ্টেটস পীবগা লোয়ননা মতম কয়াগী মমাঙদগী কোংগ্রেসনা নমথাক তৌবীরবা বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল মপুং ফানা শেমগৎলগনি।

কোংগ্রেসনা শাংলবা চহী ১৫ গভর্ণমেন্ট পায়রবা ফাওবা অসামনা করি মরমগী শোথুনা লৈহৌরিবনো হায়না হংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, চহী ১৫গী মনুংদা কোংগ্রেসনা তৌবা ঙমখিদবা থবক পুম্নমক এন দি এ গভর্ণমেন্টনা থা ১৫গী মনুংদা তৌবা হায়বসি ওইথোক্লোইদবা ৱাফমনি।

অসামগী কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্টরদা পাল্লম্বা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইন্স গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোল্লকদুনা মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা মীচম মীয়ামগী অপাম্বা ফংহনবা ঙমদ্রি। শাংলবা চহী ১৫ থবক অমত্তা তৌদনা লৈরকখিবা পার্টি অমনা থা ১৫ শুবদা ঙাইহিরবা এন দি এ গভর্ণমেন্টতা থবক তৌদে হায়না ৱা ঙাঙলকপা হৌরে। রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা অসামদগী কারকখিবা মনমোহন সিংহনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা ফাওবা ষ্টেট অসিবু শেমগৎনবা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা লৈখিদে হায়না মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অসামগী তম্পাক্তা লৈরিবা কার্বি ফুরুপ অমসুং চীংদা লৈরিবা বোরোশিংদা ট্রাইবেলগী ষ্টেটস পীরগনি। অথুবা মতমদা হীরম অসিগা মরী লৈননা থবক পায়খৎপা হৌরগনি।

মফম খুদিংমক্তা থোক্লিবা প্রোব্লেমশিং অসি শেমগৎ-শাগৎপীবা ৱাৎপদগী ওইরকপনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, শাংলবা চহী ১৫ কোংগ্রেসনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রল্লকবসু মশক থোকপা থবক অমত্তা তৌখিদে। অৱাং নোংপোক্তগী নহারোল কয়া দিল্লি পুলিসতা থবক চঙহন্নবা ৱাফম খঙহনখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অতৈ অতোপ্পা থৌরাংশিংগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কোক্রাঝারদা লৈবা সেন্ট্রেল টেক্নিকেল ইন্সটিট্যুট অমা দীম য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা পুখৎলগনি, সিএলদাহ-গুৱাহাটি কাঞ্চিনজুঙ্গা এক্সপ্রেস বরাক তম্পাক ফাওবা চেনহল্লগনি অমসুং ধুব্রিগী রুপসি এয়রপোর্ট ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা লৌশিল্লগনি।

অতৈ অতোপ্পা ষ্টেট ৪গা লোয়ননা মেম্বর ১২৬ লৈবা অসাম এসেমব্লিগী মীখল লাক্লিবা এপ্রিল নৎত্রগা মেদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি। কোক্রাঝার অমদি মসিগা থংনরিবা মফমশিংদা মশীং য়াম্না খুন্দারিবা বোরো মীয়ামবু চিংশিন্নবগী পান্দমদা বি জে পিনা বোরোলেন্দ পিপলস ফ্রন্টকা চৎমিন্ননবা থৌরাং লৌখৎলকখি। কুমজা ২০০৩ দা লিংখৎখিবা পার্টি অসিনা হৌজিক ফাওবা বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল পায়রিবনি।

অমরোমদা, খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি অসামদা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই আই আই টি) শানবা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

গুৱাহাটি এয়রপোর্টতগী কিলোমিটর ৪ লাপ্না লৈবা সোন্টোলা গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুদা অসামগী গভর্নর, চীফ মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর স্মৃটি ইরানি অমসুং ষ্টেটকী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর শরুক য়াখি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা এন পি পি পি (নোট ফোর প্রোফিট পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ)গী থৌরাং অমগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা আই আই আই টি ২০ শানবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

# দলিট মহৈরোয় শিখিবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টপু মরাল শীখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৯ ঃ

হাইদ্রবাদ সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিদা পি ঐচ দি তৌরিবা রোহিট ভেমুলা কৌবা দলিট মহৈরোয় অমা মশা মথন্তা শিজখিবা থৌদোক্তা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না য়ুনিয়ন লেবর মিনিষ্টর ভন্দারু দট্টত্রেয়ানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু কোংগ্রেসনা বি জে পিবু দলিটকী মায়োক্তা লৈবা পার্টিনি হায়না মরাল শীখ্রে।

য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিছোর্সেস মিনিষ্টর স্মৃটি ইরানিদা থাখিবা চেরোল অমগী মতাংদা দট্টত্রেয়ানা হায়খি, ঐচ আর দি মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অদুগা মহৈরোয় অমা সুইসাইদ তৌখিবগী থৌদোক অসিগা মরী লৈনদে। খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওই খরনা বি জে পিগী ষ্টুদেন্ট ৱিং ওইরিবা অখিল ভারতিয়া বিস্ব পরিষদ (এ বি ভি পি)দা এটেক তৌরকপগী মতাংদা ইচম চম্না চেরোল অদু ইখিবনি।

অদুমওইনমক মহৈরোয় শিখিবগী মতাংদা এফ আই আর ফাইল তৌবদা মিনিষ্টরগী মমিং য়াওখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর দট্টত্রেয়া অমদি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অপা রাওগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখিবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, রোহিটনা এ বি ভি পিগী মেম্বর অনীগা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা মহাকপু হোষ্টেল, লাইব্রেরি অমদি মেস য়াওনা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তগা ৱারী শানহন্দনা থল্লকখিবনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা নেসনেল ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই)না ইরানি অমসুং দট্টত্রেয়াগী ওফিসল রেসিদেন্স মমাঙদা খোঙজং চঙশিনবা ফাওবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর মশানসু ৱাথোক অসিদা চেন্নদে হায়না পল্লদুনা হায়খি, সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি খুদিংমক মরী লৈনবা য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরে হায়দুনা য়ুনিভর্সিটিগী থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিনবা ঙমদে।

হ্যুমেন রিছোর্সেস দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী মীওই অনীনা শাবা ফেক্ট-ফাইন্দিং টিম অমা শেমখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা অচুম্বা খঙদোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা চপ চাবা ৱাফম খঙবা ঙম্লগনি। মরাল লৈরম্বা মীওই অমত্তা লেম্না থারোই হায়না ঐচ আর দি মিনিষ্টর ইরানিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা কোংগ্রেসনা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু দলিটকী মায়োক্তা লৈবা গভর্ণমেন্টনি হায়না মরাল শীরদুনা য়ুনিভর্সিটি ওফ হাইদ্রবাদতা দলিট মহৈরোয় অমা শিখিবগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর খুদক্তা মফম লৌথোক্কদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা কোংগ্রেস লুচিংবা আর পি এন সিংহনা হায়খি, হরিয়ানা অমদি রাজস্থানগুম্বা ষ্টেটশিংদা দলিট মহৈরোয়শিংবু তমথীনা ওৎপী-নৈবীবগী থৌওং অমা চথুদুনা লাক্লি। হন্দক্তা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা থোকখিবা বজেট অদু য়েংলগসু এন দি এ গভর্ণমেন্ট অসি দলিটকী মায়োক্তা লৈবা গভর্ণমেন্টনি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি।

# প্রাইম মিনিষ্টর হাৎকনি হায়না কিহল্লকখ্রে

পানাজি, জন্যুৱারী ১৯ ঃ

ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)না থাদোরকপনি হায়বা চেরোল অমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকার হাৎকনি হায়না কিহল্লকখ্রে।

গোৱা পুলিসনা চেরোল অদু পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক্তা য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা ৱাফম অসিগা মরী লৈনবা কেস এন্টি টেররিষ্ট স্কৱাদ (এ টি এস)তা শিন্নখ্রে। সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর হাৎকনি হায়না ইবা পোষ্টকার্দ অমা ষ্টেট সেক্রেটরিএটতা থারকখি। চেরোল অদু হেক ফংবগা পুলিসনা খুদক্তা অকনবা থবক পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক্তা পাউ পীখি। ষ্টেট পুলিস অমদি ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীশিংনা কুপ্না থিজিল্লিবা মরম্না অথুবা মতমদা চেরোল অদু কনানা থারকখিবনো হায়বা শোয়দনা খঙলগনি হায়না পুলিস ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। পোষ্টকার্দ অদুগী অরোইবদা আই এস আই এস হায়না ইরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ষণ হাৎপা থিংবগী মতাংদা য়ানিংদবা ৱারোল কয়া ইরকখি হায়রি।

# বিহারগী ফীভম লুশিল্লক্লে : এল জে পি

বেঙ্গলুরু, জন্যুৱারী ১৯ ঃ

বিহারগী ফীভম লুশিল্লক্লে হায়না পল্লদুনা লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি)গী লুচিংবা চিরাগ পাসৱাননা হায়খ্রে মদুদি, চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা ষ্টেট অসিদা মপুং ফানা লৈঙাকপা ঙমদ্রে।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এল জে পিগী মরুওইবা মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা বিহারদা মওং মরিল তানা লৈঙাক চুপ্লি পায়বা ঙমদবগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। বিহারদা হৌজিক নোংমা কাংদনা মীশি-মীনা থোক্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি হায়না এল জে পি পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দকী চ্যেরমেনসু ওইরিবা চিরাগ পাসৱাননা ফোঙদোকখি।

লোক সভাগী মেম্বরসু ওইরিবা পাসৱাননা হায়খি, টর্ম অহুম্লক চীফ মিনিষ্টর ওইরক্লবা নিটিশ কুমারনা বিহারদা মওং মরিল তানা গভর্ণমেন্ট পায়বা ঙমদ্রে। রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লুচিংবা লালু প্রসাদ য়াদবনা নাকোয়ননা বিহারগী চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অসি পায়বগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলে।

বিহারদা মীশি-মীনা তোয়না থোকপগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পাসৱানগী মচানুপা চিরাগ পাসৱাননা হায়খি, নিটিশ কুমারনা চীফ মিনিষ্টর ওইজরবসু মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোকশিং থিংনবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা ঙমদ্রে। মসিনা তাকপদি নিটিশনা মমিং খক্তগী ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইরি হায়বনি।

গভর্ণমেন্ট অসি কয়াম কুইনা লৈখিগদগে হায়না হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা পাসৱাননা হায়খি, লালু অমসুং নিটিশকী মরক্তা য়েৎনবগী মওং অমা উবা ফংলবনিনা গভর্ণমেন্ট অসি চহী ২গী মনুংদা কায়রগনি। হীরম অসিগী মতাংদা খুদম ওইবা য়াবা ৱাফম অমা পল্লদুনা পাসৱাননা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক লাহোরদা চৎলুবগী মতাংদা নিটিশ কুমারনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, লালু প্রসাদনা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি। মতৌ অসুম্না গভর্ণমেন্ট পায়মিন্নরিবা কাঙলুপ মশেল য়ানদবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলবনিনা অথুবা মতমদা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অসি কায়রগনি।

মতৌ করম্না এল্লাইন্স শেমখিবগে হায়বগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, বি জে পি, এল জে পি অমসুং এন দি এবু গভর্ণমেন্ট পায়হন্দনবগী পান্দমদা নিটিশ কুমার অমদি লালু প্রসাদ য়াদব খুৎশম্নখিবনি। মীওই অনী অসি হান্নদগী হৌনা য়েংথীনদুনা লাকখিবা মরম্না মতম কুইনা পুন্না লৈমিন্নবা য়ারোই।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পাসৱাননা বিহারদা পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিদা মীয়াম্না থাজবা থমদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হাজিপুরদা পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর অমা হাৎখিবগী মতাংদা পাসৱাননা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা মওং মরিল তানা লৈঙাক পায়বা ঙমদবদগী পুলিস ফাওবা ষ্টেট অসিদা লৈবদা খুদোংথীনিংঙাই ওইরে। মশাগী কন্সটিট্যুয়েন্সি ওইরিবা হাজিপুরগী ফীভম য়েংশিনবা লাকখিবা পাসৱাননা হায়খি, ষ্টেট অসিদা ইঞ্জিনীয়র, দোক্টর অমদি লল্লোন ইতিক তৌবা মীওই কয়া হাৎখ্রবা মতুংদা পুলিস পার্সনেল ফাওবা হাৎপা হৌরক্লে। পুম্নমক অসি অফবা লৈঙাক অমা লৈবগী খুদম নত্তে। মতম অমদা আর জে দিনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদো ফাওবা মতৌ অসুম্না মীশি-মীনা থোকখিদে হায়না পাসৱাননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, অশোক কুমার য়াদব কৌবা পুলিসকী এ এস আই অমা বৈসালি দিষ্ট্রিক্টকী মানুৱা খুঙ্গংদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বনি। কন্স্ট্রক্সন কম্পনি অমদা থবক তৌবা ব্রজেশ কুমার অমদি মুকেশ কুমার কৌবা ইঞ্জিনীয়র অনীসু নুংথিল পোবোবতা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলমখিবনি।

# সী এম ওইনিংদ্রবদি নৌনা মীখল পাঙথোক্লো : ওমার অব্দুলাহ

শ্রীনগর, জন্যুৱারী ১৯ ঃ

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওমার অব্দুলাহনা হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা পি দি পিগী প্রসিদেন্ট মেহবুবা মুফটিনা চীফ মিনিষ্টর ওইনিংদবা তারবদি খুদক্তা ষ্টেট অসিগী মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

মেহবুবা মুফটিদা থাবা অফোংবা চেরোল অমদা নেসনেল কনফরেন্সকী লুচিংবা ওমারনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টরগী থৌদাং লৌবা ঙম্লোইদবা লৈরবদি অরেম্বদা মতম মাঙহনবগী মহুত্তা অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা গভর্নরদা এসেমব্লি দিজোল্ব তৌনবা রেকমেন্দ তৌফম থোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা মপুং ফাবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবা ঙমদবগী মতাংদা নেসনেল কনফরেন্সকী ৱার্কিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ওমার অব্দুলাহনা হায়খি, করিগুম্বা মেহবুবানা চীফ মিনিষ্টরগী থৌদাং লৌনীংদবা তারবদি সেন্ট্রেল রুল থম্বা মথৌ তাই। মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংনা শেম্বা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবা ঙমদ্রবদি প্রসিদেন্ট রুল থম্বদা অকায়বা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওমারনা হায়খি, এল্লাইন্স শেম্বদা মশাগী খুদোংচানবা হোৎনরিঙৈদা মতম মাঙহন্দুনা মপুং ফাবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহন্দবা হায়বসি মীয়ামগী রাইট ফংহন্দবনি। নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পি দি পিগী মরুওইবা মীফম অমগী মতাংদা পল্লদুনা ওমারনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা পুম্নমক কোকহন্নবগী মতাংদা মীফম অদুনা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। অরেম্বদা মতম মাঙহন্দুনা লৈবগী মহুৎতা মেহবুবানা খুদক্তা চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়গদবনি নৎত্রগনা সেন্ট্রেল রুল থম্নবা রেকমেন্দ তৌগদবনি।

কাশ্মীরি পন্দিটশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, চহী অমা হেন্না হৌখ্রবসু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চোইনা খুন্দাখ্রবা কাশ্মীরি পন্দিটশিং ষ্টেট অসিদা পুরক্লবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি। গভর্ণমেন্ট অসিনা কাশ্মীরি পন্দিটশিংবু নুংশিবা শাদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ফুরুপ অসিগী মীওইশিং ষ্টেট অসিদা পুরক্কনি হায়না ফোঙদোকখি অদুবু চহী অমা ফাজিল্লক্লবসু হৌজিক ফাওবা হীরম অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা লৌখৎপা উদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, পি দি পি অমসুং বি জে পিনা কাশ্মীরি পন্দিটশিংগী মতাংদা ময়েক শেংবা ফিরেপ অমা মীয়ামদা খঙহনগদবনি।

**MANIPUR UNIVERSITY**

CANCHIPUR : IMPHAL

ADVERTISEMENT NO.1/15

Dated, the 18th January, 2016

**No. MU/5-124/2013/FCY :** Applications on prescribed form are invited from Indian Nationals for filling up the following posts with the University Grants Commission's pay scale :

| Post Code | Department | Name of the Post | | | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| | | Professor | Associate Professor | Assistant Professor | |
| 01 | Anthropology | - | 01 (UR) | - | 01 |
| 02 | Biochemistry | 01 (SC) | - | 01 (UR) | 02 |
| 03 | Biotechnology | 01 (UR) | 02 (1-UR, 1-SC) | - | 03 |
| 04 | Chemistry | - | 03 (2-UR, 1- Lien Post) | - | 03 |
| 05 | Computer Science | 01 (UR) | 01 (UR) | 01 (UR) | 03 |
| 06 | Earth Sciences | 01 (UR) | - | 01 (OBC) | 02 |
| 07 | Geography | 01 (UR) | 01 (UR) | 01 (UR) | 03 |
| 08 | Life Sciences | 02 (1-SC, 1-UR) | 05 (4-UR, 1-SC) | 01 (UR) | 08 |
| 09 | Mathematics | - | 02 (1-SC, 1-UR) | - | 02 |
| 10 | Physics | 01 (UR) | 02 (1-UR, 1-SC) | 02 (1-UR, 1-OBC) | 05 |
| 11 | Physical Edn. & Sports Science | 01 (UR) | - | - | 01 |
| 12 | Statistics | 01 (UR) | - | 01 (UR) | 02 |
| 13 | Economics | 01 (UR) | - | - | 01 |
| 14 | Education | 01 (UR) | 02 (UR) | - | 03 |
| 15 | Commerce | 01 (ST) | - | - | 01 |
| 16 | History | 01 (UR) | 04 (3-UR, 1-ST) | 01 (UR) | 06 |
| 17 | Pol. Science | 01 (UR) | 03 (2-UR, 1-SC) | - | 04 |
| 18 | Lib. & Inf. Sc. | - | 01 (UR) | 01 (UR) | 02 |
| 19 | English | 02 (1-UR, 1-SC) | - | 01 (UR) | 03 |
| 20 | Hindi | 01 (Lien Post) | 01 (UR) | - | 02 |
| 21 | Manipuri | 01 (UR) | 04 (3-UR, 1-SC) | - | 05 |
| 22 | MIMS | 01 (SC) | - | 02 (1-UR, 1-OBC) | 03 |
| 23 | Philosophy | 01 (ST) | 01 (UR) | - | 02 |
| 24 | Adult, Continuing Education & Ext. | - | 01 (UR) | 01 (UR) | 02 |
| 25 | Manipuri Dance | - | 01 (UR) | 01 (UR) | 02 |
| 26 | Mass Com. | - | 01 (UR) | - | 01 |
| 27 | Foreign Language | - | 02 (UR) | 02 (1-UR, 1-OBC) | 04 |
| 28 | Sociology | - | 02 (1-UR, 1-ST) | 01 (OBC) | 03 |
| 29 | Forestry & Envt. Science | 01 (UR) | 02 (UR) | 01 (UR) | 04 |
| 30 | MIT | - | - | 01 (ST) | 01 |
| | **Total** | **22** | **42** | **20** | **84** |

Application form and details of essential qualifications, experience, specialization, API/PBAS proforma etc. can be downloaded from the University website www.manipuruniv.ac.in (under academic/IQAC) or can be obtained from the University Cash Counter on payment of Rs. 100/- in cash.

The duly filled in application form and API/PBAS proforma alongwith self-attested copies of certificates of educational qualifications, date of birth, experience, caste/tribe etc. and a fee of Rs. 500/- (Rs. 250/- for SC/ST/PWD) in the form of Bank Draft of SBI drawn in favour of the Registrar, Manipur University, Canchipur, payable at SBI, MU, Canchipur (Code No. 5320) or cash receipt of the University should be submitted in an envelope superscribed with the name of post applied for with Advt. No. and date to the Registrar, Manipur University, Canchipur, Imphal – 795003 on or before the **20-02-2016.** Those in service should apply through proper channel.

Downloaded application forms should accompany a Demand Draft of Rs. 600/- (Rs. 350/- for SC/ST/PWD) at the time of submission.

(W. Vishwanath Singh)
Registrar i/c

HL-B/2909/20

**Government of India**

**National Vector Borne Disease Control Programme,**

Dte.G.H.S, Ministry of Health & Family Welfare,
Ground Floor, Block – 3, Delhi IT Park,
Shastri Park, Delhi-110 053.

**Telephone No.** 22185936,**Website:** www.nvbdcp.gov.in,
**Email:**nvbdcp-mohfw@nic.in

**Dated 16.12.2015**

# PRESS NOTE

Malaria is a mosquito borne disease and a major public health problem in North Eastern states including the state of Manipur. This disease is curable & preventable. The drugs & diagnostics are supplied free of cost at all public health facilities. The Govt.of India provides all required assistance to the state in the manner of logistics, technical support and financial assistance.In the year 2014, there was a substantial increase in the number of cases and deaths due to Malaria in the NE states.

To reduce mosquito population for controlling malaria, a number of methods are available like larvicidal fish, Indoor Residual Spray with insecticides, elimination of breeding sites by methods like filling up of small pits and ditches, channelization of canal, sanitation activities through Village Health and Sanitation Committee, covering of open water containers etc.Long Lasting Insecticidal Nets(LLINs) is a newer & effective intervention to prevent human-mosquito contact by acting as a barrier and it also kills the mosquitoes coming in contact with net. The Directorate of National Vector Borne Disease Control Programme (NVBDCP),Ministry of Health and Family Welfare (MoH&FW), Govt. of India has supplied about 3.96 lakhs of LLINs for needy people of high risk areas of Manipur for free of cost distribution in the months of Jan. & Feb. 2016 in Manipur.

The community is advised to:

- Always use a long lasting insecticidal net while sleeping inside or outside the house and keep the four strings of the net properly tied & tuck its bottom edge under the mattress or mat.
- After use, fold the LLIN properly and keep it in a clean place.
- When the net gets dirty, certain precautions have to be taken like scrub the net gently & wash with clean water but never with detergents.
- Do not use hot water or brush while washing the net and do not beat the net against a rock.
- Do not wring after washing and dry the net in shade & do not expose the net to direct sunlight.
- Do not use the net for fishing.

**No. 2/33/2015-DIPR(Pt)** HL-B/2908/20